ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Wednesday, February 10, 2021, Imphal




ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা লিথ্বানিয়াগী রিকার্দস বেরেনকিসকী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীহৌরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় সুমিট নগাল

ক্বালিফায়র অমা ওইনা শরুক য়ারক্কুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা ক্বালিফায়র ক্লোই পেকিবু ৭-৫, ৭-৫দা থোইদুনা ইজিপ্টকী ওইনা গ্রান্দ স্লামগী অহানবা মেটচ থোইবা ঙমখিবী মায়র সেরিফ



## বেঙ্গলুরু মায়থীবা পীদুনা এ টি কে মোহন বগাননা মুম্বাই সিটিগা পোইন্ট ১দা নকশিনবা ঙমখ্রে

INDIAN SUPER LEAGUE
IMG RELIANCE STAR

10th Feb, Wednesday (89th Match)
Chennaiyin FC
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM



বেঙ্গলুরু এফ সীগী সুরেশ ৱাংজম (ওই)না এ টি কে মোহন বগানগী শান্নরোয়গা বোল মুন্নবা

ফটোর্দা, ফেব্রুৱারী ০৯(এজেন্সী):

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাংগী সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা এ টি কে মোহন বগাননা ঙসি বেঙ্গলুরু এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংলিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী পোইন্ট অমখক খেন্নরগা নকশিনবা ঙমখ্রে।

ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেডিয়মদা ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৮৮শুবা মেটচতা টিম অনীমক হৌরকপদা লম্বা য়াম্না মান্নখি। অহানবা পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। অদুবু ৩৭শুবা মিনটতা এ টি কে মোহন বগানগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। পেনাল্টি অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা রোই কৃষ্ণনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা মতম য়ামশিল্লক্লবদা মখা তাবা এটেক অমদা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা বোল অমা মার্সেলিনোনা পাঞ্জল চন্দুনা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপদা ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বেঙ্গলুরু এফ সী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা এ টি কে মোহন বগাননা ২-০দা থোইরগা মেটচ ১৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা অনীশুবদা লৈখ্রে।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 16 | 10 | 4 | 2 | 25 | 11 | 14 | 34 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 16 | 10 | 3 | 3 | 22 | 10 | 12 | 33 |
| 3 | FC Goa | 16 | 5 | 8 | 3 | 24 | 19 | 5 | 23 |
| 4 | Hyderabad FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 20 | 16 | 4 | 23 |
| 5 | Northeast United FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 21 | 20 | 1 | 23 |
| 6 | Bengaluru FC | 17 | 4 | 7 | 6 | 19 | 21 | -2 | 19 |
| 7 | Jamshedpur | 16 | 4 | 6 | 6 | 15 | 19 | -4 | 18 |
| 8 | Chennaiyin FC | 16 | 3 | 8 | 5 | 11 | 16 | -5 | 17 |
| 9 | East Bengal Club | 16 | 3 | 7 | 6 | 14 | 21 | -7 | 16 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 16 | 3 | 6 | 7 | 20 | 27 | -7 | 15 |
| 11 | Odisha FC | 15 | 1 | 5 | 9 | 14 | 25 | -11 | 8 |

## জেক লিস অমসুং জেমস এন্দরসনগী ফজবা বোলিংনা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ২২৭দা মায়থীবা পীখ্রে



ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা ইংলেন্দবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা জেক

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৯(এজেন্সী):

ইংলেন্দগী স্পিনর জেক লিস অমসুং ফাষ্ট বোলর জেমস এন্দরসননা মথংশিংনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৪ অমসুং ৩ আউট তাহন্দুনা চেন্নাইদা লৈবা এম এ চিদম্বরম ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা থা অসিগী ৫দগী হৌখিবা টেষ্ট মেটচ ৪গী সেরিজকী অহানবা মেটচ অদু ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ২২৭দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং মরিনিশুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা রোহিট শর্ম্মা আউট ওইরগা রন ৩৯দা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস লৈখিবনি। মখা তানা মায় পাক্লনবা ইন্দিয়ানা ঙসি মঙাশুবা অমদি অরোইবা নুমীৎতা রন ৩৮১ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

সুবমান গিল অমদি চিটেশ্বর পুজারানা ইন্নিংস মখা চথরকপা অদু রন ৫৮দা পার্টনরশিপ কায়খি। পুজারাবু জেক লিসনা রন ১৫দা আউট ওইহনখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমদি ওপনর সুবমান গিলনা ইন্নিংস মখা চথরকপদা ৩শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৩৪ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর ৯২দা লৈখি।

ওপনর গিল রন ৫০ শুরকপদা জেমস এন্দরসননা আউট তাহনখি। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং শান্নবা চঙলকখিবা অজিনক্যা রাহনেবুসু জেমস এন্দরসননা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসদা খ্বাইদগী ফজবা মওংদা রন ৯১ লৌখিবা রিশব পন্ট ঙসি ফজবা ঙমখিদে। রন ১১ শুরকপদা জেমস এন্দরসননা আউট তাহনখি। নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মহাক্কী ৱিকেট অদু খাঙদুনা লৈখি। রিশব পন্টকী মহুৎ শিনখিবা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৮৫ লৌখিবা ৱেশিংটন সুন্দর ইংলেন্দগী বোলর দোম বেসনা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থৈদোকপা হৌখি।

রবিচন্দ্রন অস্বিননা মহুৎ শিনখি। অদুবু মহাকসু বোল ৪৬ মায়োক্লরগা শুপ্নগী রন ৯দা জেক লিসনা আউট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর বেটসমেন ৭ আউট ওইবদা রন ১৭১ লৈখি। ৯শুবা বেটসমেন সেবাস নদিম শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না ভিরাট কোহলিগনা ইন্দিয়াবু মেটচ অদুদগী কন্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখি। রন ৭২ লৌদুনা লৈরিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ইংলেন্দগী বোলর বেন ষ্টোক্সনা আউট তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৮ রন ১৭৯দা আউট ওইখি।

ইশান্ট শর্ম্মা শান্নবা চঙলকখি। অদুবু হান্না ক্রিজদা লৈখিবা সেবাস নদিম জেক লিসনা রন লৌহন্দনা আউট তাহনখিবদগী ১১শুবা বেটসমেন জস্প্রিট বুমরা শান্নবা চঙলকখি। মহাক বোল ৪দা রন ৪ লৌরম্লগা জোফ্রা আর্চরনা আউট তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ১৯২দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু রন ২২৭তা মায়থীবা নংখি।

## জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা ইজিপ্টকী অল অহলিবু মায়থীবা পীদুনা ক্লব ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

অল রায়ন, ফেব্রুৱারী ০৯(এজেন্সী):

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল কনফিদরেসন মঙাদগী লাকপা টিম ৬না শরুক য়াদুনা কটারনা যূম্ন ওইরগা দোহাদা লৈবা অল রায়ন ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা য়ুরোপতা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল হোল্ডর জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা ইজিপ্টকী ক্লব অল অহলিবু ২-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমেখ্র।



মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক অফ্রিকাগী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা অল অহলিবু বেয়র্ন ম্যুনিকনা খূদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী দেবিদ অলবানা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। লেমহৌবা হাফ অদুগী মতুং পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে।

অনীশুবা হাফতা অল অহলিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা শান্নরকপা অদু কান্নবা ফংখিদে। মেটচ লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা বেয়র্ন ম্যুনিককী অতোপ্পা এটেক অমদা লিরোই সেননা পীরকপা ক্রোস অমদা লিৱানদোস্কিনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল চল্লগা ২-০দা থোইখি।

থা অসিগী ১১দা শান্নগদবা ফাইনেলদা ম্যুনিকনা মেক্সিকোগী য়ু এ এন এলগা থেংনগনি।

## অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় রফেল নদাল অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, ইন্দিয়াগী সুমিট নগাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ০৯(এজেন্সী):

স্পেনগী শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা রফেল নদাল ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিট নগাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।



রফেল নদালনা ঙসি অহানবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী শান্নরোয় লাস্লো জেরেগা লম্বা তৌনবদা পুং ১গা মিনট ৫১ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-৩, ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ২শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা শান্নরোয় অনী মাইকেল মো অমদি ভিক্টর ট্রোইকি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় সুমিট নগালনা অহানবা রাউন্দদা লিথ্বানিয়াগী শান্নরোয় রিকার্দস বেরেনকিসকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদা নগালগী সর্ভিস গেম অনী বেরেনকিসনা ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা নগালগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্লুনা বেরেনকিসপু শোট খূদিংগী পাউখুম হনখি। গেম ১০/১০ ফাওবা মান্নরবা মতুং ১১ অমসুং ১২শুবা গেম অদু বেরেনকিসনা থোইদুনা ৭-৫দা অনীশুবা সেট মায় পাকখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা সেটকীদমক্তসু শেম শানখি। অহুমশুবা সেট অদুদা বেরেনকিসনা নগালগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়া মচা এস্লি বার্টিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মোন্টি নিগ্রোগী দানকাকোবিনিচপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৬-০, ৬-০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। নুপাগী মরিশুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেভনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী শান্নরোয় বাসেক পোস্পিসিলবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-২, ৬-৪দা থোইখি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. – Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020




9TH POSITION — NOVEENA KSH, D/o. Sarvodayachand, Nirmalabas
10TH POSITION — CHALTAN Y., S/o. Y. Shantikumar, St. Joseph
15TH POSITION — TH. JEET, S/o. Th. Rashi, St. Joseph
19TH POSITION — DHANTHOI S., D/o. S. Homeshor, Nirmalabas
19TH POSITION — MARY L., D/o. Dr. John P., Little Flower
25TH POSITION — H. NANDIBALA, D/o.H. Nandalal, Nirmalabas
25TH POSITION — HENRY O, S/o. O. Kumud, St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-11/3

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 31**

**Lobron, Eric GER (2585) - Ricardi, Pablo ARG (2535)**
**32nd olm final Yerevan ARM (3), 1996.09.18**

1.c4 Nf6 2.Nf3 e6 3.d4 d5 4.Nc3 dxc4 5.e4 c5 6.d5 exd5 7.e5 Nfd7 8.Bg5 Be7 9.Bxe7 Qxe7 10.Nxd5 Qd8 11.Bxc4 Nc6 12.O-O O-O 13.Re1 Nb6 14.Nxb6 axb6 15.h3 Be6 16.Qe2 Ra4 17.b3 Bxc4 18.bxc4 Nd4 19.Nxd4 Qxd4 20.Rab1 Rxc4 21.Rbd1 Qc3 22.e6 fxe6 23.Qxe6+ Kh8...

**QUESTION :**
**White wins in 4 moves**

Puzzle 30 Ans. :

**33.**..Rxc3 **34.**Rxg7+The white Rook decoys Black's King. Kxg7 **35.**Rf7+ Kg8 **36.**Rg7+The white Rook decoys Black's King.Kxg7 **37.**Qf7+ Kh8 **38.**Qh7#

**34.**Rxg7+ Kh8 **35.**Rh7+ Kg8 **36.**Rxe5 Qxd3+ **37.**Qxd3 Rxd3 **38.**Rxe8+ Bf8 **39.**Rf7

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 113/SDC/IW (P) of 2021**

1) Pheiroijam Shashikanta Singh S/o (L) Kameshwor Singh of Takyel Kolom Leikai. (2) -do- Suranjoy Singh S/o (L) -do- of -do- ...Petitioners

-Vrs-

(Late) Pheiroijam Kameshwor Singh S/o (L) Mathang Singh of Takyel Kolom Leikai. ...Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

09/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪ - লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ১১৫ (অরিবা), ২৬২ (অনৌবা), দাগ নং ১৮৯গী এরিয়া ০.৩১০০১ একর চাউবা ফৌরেলগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অনী অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না এরিয়া লোইনমক নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদার মশাগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৬/২/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/8949/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- Mutation Case No. 60/SDC/IW/LC of 2021**

Thingnam Matum Singh, S/o. (L) Th. Gambhir Singh of Naran Konjin Mayai Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late, Thingnam Gambhir Singh, S/o. Madan Singh of Naran Konjin -Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Lilong Chajing the 5th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭৩-নারান কোঞ্জিনগী অরিবা পাট্টা নং ২০৭ অনৌবা পাট্টা নং ৭০ দাগ নং ১৮৪ এরিয়া ০.৫০০০০ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার থিংনাম গমভির সিংহ পীং মদন সিংহ সাং নরান কোঞ্জিন অসি মৃতু ওইখ্রবা মরম্না মথক্তা পল্লিবা অঙনফৌ লৌফম অসি পিটিস্নরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/8944/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 120/SDC/P/2020**

Dr. Huidrom Hemchandra Singh S/o (L) Kala Singh of Keishamthong Moirang Ningthou Leirak. -Petitoners

-Vrs-

Late Chanambam (N) Huidrom (O) Mema Devi W/o Hemchandra Singh of Keishamthong Moirang Ningthou Leirak. -O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

The 8th Feb., 2021

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চনম্বম নিংঙোল হুইদ্রোম ওংবী মেমা দেবী পত্তি হেমচন্দ্রা সিংহ সাং কৈশামথোং মোইরাং নিংথৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৮৪-শঙাইপ্রৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৩২৪, দাগ নং ৪৩৩ অমসুং এরিয়ানা .০৪০৩২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/8951/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 112/SDC/IW (P) of 2021**

1) Pheiroijam Shashikanta Singh S/o (L) Kameshwor Singh of Sagolband Takyel Kolom Leikai. (2) Pheiroijam Suranjoy Singh S/o (L) -do- of -do- ...Petitioners

-Vrs-

(Late) Pheiroijam Kameshwor Singh S/o (L) Mathang Singh of Sagolband Takyel Kolom Leikai. ...Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

09/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০ - পাৎশোইগী পাট্টা নং ২৯০ (অরিবা), ৭৮১/১৪২৭ (অনৌবা) গী দাগ নং ১১৮৪/১৮৪০, এরিয়া ০.৩১৩ একর চাউবা অঙনফৌগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অনী অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদার মশাগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৬/২/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/8949/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**